# রাফেল দিলগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা শেমজিন–শাজিন্দুনা মীনম্বশিং ঙাংই হায়না বি জে পিনা চৈখ্রে



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
পার্টি চীফ রাহুল গান্ধীনা শেমজিন শাজিনবা মীনম্বশিংনি হায়বা লিষ্ট অমগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী মথক্তা বি জে পিনা ঙসি খূৎ হন্দুনা চৈখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসকী ওফিসিয়েলশিংনা পেরেলেল নেগোসিয়েসনশিং চখৎরম্বা য়াই হায়বগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোকপা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ইন্টরনেল নোট পনবা হিন্দু পাউ–চেগী রিপোর্ট অমা ফোঙলকখ্রবগী তূংদা ঙরাং হেদলাইন পূন্নমক রাফেলগী ঙাক্তা ঙাইখি। মদুগী মতূং ঙসি অয়ুক বি জে পিনা খূৎ–হন্দুনা রাহুল গান্ধীবু মীনম্বা ঙাংবা মীওইনি হায়রদুনা মহাক্না ঙাংখিবা ৱাফমশিং অদু অমমমতা ওইনা শেঙদোক্তুনা কোংগ্রেসকী মথক্তা অমুক হন্না চৈখ্রে।

হিন্দু পাউ–চেনা পনখিবা নোট অদুদা মতমদুগী দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পররিকরদগী খূৎনা ইবা পাউখুম য়াওরকখি। মদুদা পি এম ওনা দিল অদুগী প্রোগ্রেস অদু মোনিটর তৌই হায়খি। অদুবু পাউ–চে অদুগী পাউ অদুদা মদুগী মরিকুপ্বা ৱারোল অমত্তা য়াওদে হায়না গভর্ণমেন্টনা ঙরাং খুদোম্বী থিন্দুনা তাকখি।

অদুবু ফ্রেঞ্চ গভর্ণমেন্টকা হকথেঙননা নেগোসিয়েট তৌখিবা অদু সুপরভিজন নৎতে, মদু খূৎ থিংজিনবনি হায়না কোংগ্রেসনা মরৈ য়েৎখি।

মসিগী মমাঙদসু রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা দিল অদুদা য়াওশিলকখিবগী ৱাফম অদু সুপ্রিম কোর্টতা গভর্ণমেন্টনা থমখিবা ৱারোলদা য়াওদে হায়খি।

মদুগী মতূংদা রাহুল গান্ধীনা ত্বিট তৌখি, চৌকিদার অদুনা সুপ্রিম কোর্টতা রাফেল ইসুগী অশেংবশিং অদু খঙহন্দনা লোৎশিন্দুনা থমখ্রে। হৌজিক লৈবাক অসিনা ইভিদেন্স অদু উখ্রে। মীয়ামগী কোর্টনা মহাকপু লেন্না থারোই।

মরম অদুনা ফাইটর জেট ১৬ লৈনবগী বিল্লিয়ন দোল্লর কয়াগী রাফেল দিলগী ৱারেপ লৌবগী কাঙলোনদা চীংননিঙাই অমতা লৈতে হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অদুসু ৱাহং হংনিঙাই ওইরে হায়না রাহুল গান্ধীনা হায়খি।

হীরম অসিগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা হায়খিবা ৱাফমশিং অদু বি জে পিনা মথং–মথং পুথোক্তুনা খুদিংমক অসি মহাক্না ফ্রেঞ্চ মেদিয়া হাউস অমগী রিপোর্ট খরবু সেরান্ননা শেমদোক শেমজিন তৌনবা হোৎনখি অমসুং রিলায়েন্সপু ওফসেট পার্টনর অমা ওইহনখিবদু দাসোল্টনা দিল অদু ইন্দিয়াগা তৌনবা ফঙনবা হোৎনখিবনি হায়খি।

অশেঙবদি, সুপ্রিম কোর্ট অমসুং দাসোল্ট সি ই ও অনীমক্না ওফসেট পার্টনরশিং খনবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা করিসু তৌনিংঙাই লৈতে হায়খ্রবনি।

মথঙদা দিল অদুদা তৌফম থোক্তবা অরানবা কয়ামরুম সুপ্রিম কোর্টনা ফঙখি হায়জিন্দুনা অরানবা ৱাখল পোকহন্নবসু মীনম্বা ঙাংবা রাহুল গান্ধীনা হোৎনখি।

সব–জুদিস ওইবা মওংদা মহাক্না অনেম্বা থাক্কী প্রোপেগন্দা তৌই। অশেঙবদি, কোংগ্রেস প্রোক্সিশিংনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসনশিং অদু সুপ্রিম কোর্টনা ককখি অমসুং গভর্ণমেন্টনা অরানবা অমত্তা তৌখিদে হায়বা রুলিং পীখি।

অনিল অম্বানিগী দিফেন্স ফার্মবু কান্নহন্নবা শহি তৌখিবনি অমসুং মমল হেনঙিল্লবনি হায়না কোংগ্রেসনা হায়রিবা লূপা ক্রোর ৫৯,০০০গী দিল অদুগী মতাংদা ঙসি বি জে পিগী ত্বিট ১০ অদুদা দোকুমেন্টশিং, ভিদিও ক্লিপশিং, ন্যুজ ত্বিটশিং য়াওখি।

# এদোল্ফ হিট্লরনা য়েকপা লাই ৫ জর্মনিদা নিলাম লাওগদৌরি



*নুরেম্বর্গ, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
নাজি নীংশিংনিঙাই ওইবা পোৎ–চৈগী মার্কেট হৌজিকসু হিঙলি অমসুং ফরি হায়না অশাওবা পোকহল্লদুনা নুরেম্বর্গ কৌবা জর্মন সিটি অদুদা ঙসি থাংজ নুমিৎতা এদোল্ফ হিট্লরনা য়েক্লম্বা লাই ৫ নিলাম লাওদুনা য়োনগদৌরি।

য়োনগদৌরিবা অদু ফত্তবগী মহাও চেল্লি হায়রদুনা সুইদেটসে জৈতুং পাউ–চেদা হায়রদুনা নুরেম্বর্গকী মেয়র অলরিচ মেলিনা কন্দেম তৌখি।

নিলাম লাওদুনা য়োনগদৌরিবা পোৎলমশিংদুগী মনূংদা য়ুরোও ৪৫,০০০(দোল্লর ৫১,০০০) গী মমলদগী হৌবা চীংদোন মনাক্কী পাৎকী শক্তম অমা অমসুং লৈখিদ্রবা নাজি দিটেক্টর অদুনা শিজিন্নরম্বনি হায়না লৌনরিবা স্বস্তিকা সিম্বোল য়েকপা চৌক্রি অমগা য়াওরি।

ৱৈল্ডর ওক্সন হাউস অদুনা নাজি ৱার ক্রিমিনেলশিংবু ১৯৪৫তা ৱায়েল চৎখিবা সিটি নোরেম্বর্গতা অখন্নবা ওক্সন সেল অদু পাংথোক্লি।

আর্টৱার্ক কয়ামরুম শাশিন্নবনি চীংনবা অমসুং প্রোজ্যুকিটরশিংনা থবক লৌখৎলক্কনি খনবদগী শগোলশেল নুমিৎতা ওক্সন হৌগদৌরিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লৌথোক্লখ্রে।

মতম অমদা মহাক্কী পোক্লফম অষ্ট্রিয়াদা আর্টিষ্ট অমা ওইনা হীংনবা হোৎনরমখিবা হিট্লরনা য়েক্লম্বনি হায়বা লাইশিং য়োনবা অদুনা অয়াম্বা মতমদা অশাওবা পোক্লহনখি। মদুগী মরমদি লৈবাক অসিগী হৌখ্রবা নাজি মতম অদুগা মরীলৈনবা আর্ট অদুগীদমক কলেক্টরশিংনা মমল ৱাংনা–ৱাংনা লৈনবা হোৎনরি।

ওক্সন হাউস অদুদা এ, হিট্লর হায়না শহি তৌবা 'ওরটসাফ এন্দ ভোজবিরগসী' হায়না মিংথোনবা ৱাটরকলর অমা উৎতুনা থল্লি।

আর্টকী পোৎলমশিং অদু তোঙান–তোঙানবা মপু ২৩না পুথোক্লকখিবনি।

ঙসি য়োনবা অসিদা য়াওদবা খর য়াওনা এ ঐচ নৎত্রগা এ হিট্লর হায়বা শহি য়াওবা আর্টৱার্ক ৬৩ প্রোজিক্যুটরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওক্সন হাউস অসিদগী পুখ্রে।

য়োনগদৌরিবা অসিদগী লৌথোকখিবা পেন্টিংশিং অদু শাজিন্নবা ওইগনি হায়বগী ৱাফম নৎতে হায়না ৱৈল্ডর ওক্সন হাউসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

# প্রিন্সেস উবোলরত্নানা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনবা হোৎনরকপদু থাই নিংথৌনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে



*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
থাইলেন্দগী শক্তি লৈরবা নিংথৌ মহা ৱাজিলোংকোর্ননা মহাক্কী মচে প্রিন্সেস উবোলরত্নানা প্রাইম মনিষ্টর মীরেপ ওইননবা হোৎনরকখিবা, মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌওং অদু য়ান্না তৌবা হৌনদবা অমসুং রেয়েল ট্রেদিসন্সকী ময়োক্তনি হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

মচেৎ তান্নরবা সিনাৱাট্রা পোলিটিকেল শাগেনা পানবা থাই রক্সা চার্ট পার্টিগীদমক লাক্লিবা মীখলদা মীরেপ ওইরগনি হায়না মশাগী চহি ৬৭ শুরবী উবোলরত্নানা পূং খরগী মমাঙদা লাওথোকখিবনি।

মহাক্না অসুন্না খঙহৌদনা মাংজিন থাবা থাই পোলিটিক্সতা চঙলকখিবা অদু শক্তি লৈরবা রোয়েল ফেমিলিগী মীওই অমনা অসুন্না তৌবদা অহানবনি অমসুং মসিনা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেলগী শক্তম অনৌবা অমা হোংদোকহল্লবা য়ারি।

অদুবু নিংথৌ মচানুপী অসিগী খোঙথাং অসিদা নিংথৌনা পামদে হায়বসি কোনূংদগী ঙরাং নুমিদাংদা থোক্লকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ময়েক শেঙনা ফোঙদোকখি।

রোয়েল গেজেটতা ফোঙখিবা অমসুং টেলিভিজন ষ্টেসন পূন্নমক্না উৎখিবা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, নিংথৌ অমসুং নিংথৌগী ইমুং–মনূং অসি পোলিটিক্সকী মথক্তা লৈবা ষ্টেটস অমদা লৈবনি।

মওং অমদা ওইরবসু নৎত্রগা অমদা ওইরবসু পোলিটিকেল সিষ্টেমদা রোয়েল ফেমিলিগী সেনিয়ার মেম্বর অমনা চংবা হায়বসি থাইনদগী লৈরক্লবা নিংথৌকোলগী চৎনরোলগী অমসুং লৈবাকসিগী নাৎকী ময়োক্তনি। মসি য়ান্না ৱাংনা তৌফম থোক্তবা অমনি হায়খি।

অদুবু ষ্টেটমেন্ট অদুনা নিংথৌ মচানুপী উবোলরত্নাবু থিনা চৈবা তৌখিদে, মদুগী মহুত্তা মানা তৌরিবা মীয়ামগী থবক থাগৎখি।

য়ান্না পাক চাওনা মরন –মথুম লৈরবা অকনবা রোয়েল দিফেমেসন লো অমনা ক্রিটিসিজমদগী ঙাকথোক্তুনা লৈরিবা মোনার্কিবু পোলিটিকেলগী থবক –থৌওংশিংদা লৈবনি লৌই অমসুং লৈবাক্কী পোলিটিকেলগী ৱাথোক থোক্লকপা মতমদা রোয়েলশিংনা খূৎ থিংজিল্লি।

মরকসিদা অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইনা জুন্তা চীফ প্রযুত চান –ও–চা নসু নিংথৌগী মচা নুপী অদুনা মীরেপ ওইনবগী লাওথোকখিবগী পূং খরগী তূংদা মিলিটরিগী মীচংদা লৈবা ফলাং প্রচারট পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টর মিরেপ ওইরগনি লাওথোক্লকখি।

মার্চ ২৪ মীখল মতূংদা প্রাইম মিনিষ্টর ফমগীদমক করম করম্বা মীরেপ লেপ্পা য়াগদগে হায়বদু পার্টিশিংনা থাগৎনরক্লিবা মীরেপশিং অদু রিভ্যু তৌনবা ইলেক্সন ওথোরিটিজগী চয়েল অমগী মতম লৈরি।

নিংথৌ মচানুপী উবোলরত্নাদি মাগী মৌপ্বানুপা নিংথৌ অদুগা মান্নদনা মীয়ামগা মায়থোং চান্নবী রোয়েল অমনি। মহাক্না ১৯৭২দা পীটর জেনসেন কৌবা অমেরিকান অদুগা লুহোংখিবা মতূংদগী মহাক্কী রোয়েল টাইটলশিং থাদোকখি। অদুবু মতৈ–মনাও অদু খাইনখি অমসুং মহাক থাইলেন্দা অমুক হল্লকখি।

মহাক হৌজিকসু রোয়েল ফেমিলিগী শরুক অমনি হায়না লৌনরি। মহাক্কী মচানুপা পূম এসিয়ান সুনামি ২০০৪দা লৈখিদবগী থমোই শোকপা অৱাবা ময়োক্লখি। মহাক থাই ফিল্মশিংদা লিদ রোলশিং লৌবা, ষ্টেজদা ঈশৈ শকপগীদমক মীয়ান্না শকখঙন্নৈ। ফেশন্দা য়ক লাওবীনি লোয়ননা পাকচাওরবা ইনষ্টাগ্রাম ফোলোৱারশিং লৈ। লৈখিদ্রবা নিংথৌ ভুমিদোল অদুলয়াদেজগী অহানবা পোকচবী মচানুপীনি উবোলরত্না।

# কুলগাম উন নিংখাইবদা শিখিবা ৮ শুরে, থিবা খঙদবা ১গী হকচাং ফঙলে



*শ্রীনগর, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কুলগাম দিষ্ট্রিক্তা শগোলশেন নুমিৎতা জৱাহর টন্নেল মনাক্তা উন নিংখাইবগী থৌদোক অমদা থিবা খঙদনা লৈরকখিবা পুলিসমেন অমগী হকচাং অদু ঙসি ফঙখ্রে। থৌদোক অদুদা শিবা মীগী মশীং হৌজিক ৮ শুরে।

পুলিসমেন অদুগী হকচাং অদু ছর্স এন্দ রেস্ক্যু টিম অমনা ঙসি থাংজগী অয়ুক্তা লৌখৎখ্রে হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ অদুদা নিংখাইরকপা উননা পুলিস পোষ্ট অমদা নম্বুরকখিবনি। থৌদোক অদুদা খূৎলৈ থুনা পুলিসমেন ১০ শোক–পন্দনা নাম্থোকহৌখি অদুবু অতোপ্পা পুলিসমেন ১০দি নন্সিন্দুনা লৈহৌখি।

ছর্স এন্দ রেস্ক্যু টিমনা পুলিসমেন ৫ অমসুং বন্দি ২গী হকচাংশিং ঙরাং ইরাই নুমিৎতা রিকোভর তৌখিবনি হায়না মহাক্না হায়কি।

পুলিসমেন ২ রেস্ক্যু তৌরগা অতোপ্পা অমা থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি। য়ুশকৈশা অমসুং শগোলশেল নুমিৎতা কাশ্মিরগী মফম পূন্নমক্তা উন থানা তাখি। মদুনা মরম ওইরদুনা মফম কয়ামরুমদা পাকচাওরবা উনপাকশিং নিংখাইরকখিবনি।

# রাজস্থানদা নুপী ১৩ মীরেপ থাদোক্কদৌরি

*জয়পুর, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
নেসনেল ৱুমেন্স পার্টিনা লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সনদা রাজস্থানদা লোক সভা সিট ২৫মক্তা কন্টেষ্ট তৌগনি অমসুং নুপী ১৩ মীরেপ ওইনা থাদোক্কনি হায়রি। অতৈ সিটশিং অদু নুপা মীরেপশিং থাদোক্কনি হায়না নেসনেল ৱুমেন্স পার্টি (এন দবলিয়ু পি)গী প্রসিদেন্ট শ্বেতা শেথিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী পার্টিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা লৈবাক অসিদা পূন্না সিট ২৮৩দা কন্টেষ্ট তৌগনি। নেসনেল অমসুং ষ্টেট পোলিটিক্সতা নুপীশিং শরুক য়াহন্নবগীদমক লাক্লিবা লোক সভা মীখল অসিদা ষ্টেট অসিদা নুপী মীরেপ ১৩ থাগৎনবা ৱারেপ লৌরে হায়খি। ২০১২তা রেজিষ্টার তৌখিবা পার্টি অসি খা ভারত, মধ্য প্রদেশ, গুজরাত অমসুং দিল্লিদা মেম্বর লাক্ষ ৭ লৈরে।

# অন্ধ্র প্রদেশনা লূপা ক্রোর ১.১২চঙনা দিল্লি প্রোটেষ্টসকীদমক ট্রেনদা মী হোনখি

*অমরাবতি, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
চন্দ্রবাবু নাইদুনা ফেব্রুৱারি ১১দা সেন্টরগী ময়োক্তা প্রোটেষ্ট অমা চখৎগদৌরি। আনন্তপুর অমসুং শ্রীকাকুলামদগী ট্রেনশিং অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা দিল্লিদা থুংলগনি। প্রোটেষ্ট অদু অন্ধ্র প্রদেশতা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেটস পীনবা দিমান্দগীনি।



অমরাবতিদা ঙসি থাংজ নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখিবদা ফেব্রুৱারি ১১দা সেন্টরগী মথক্তা চখৎগদৌরিবা চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রবাবু নাইদুগী প্রোটেষ্টকীদমক ন্যু দিল্লিদা মী হোন্নবা অন্ধ্র প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা ট্রেন ২ ৱাইরে হায়খি।

জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টনা সাউথ সেন্ট্রেল রেলৱেদগী অমমমদা কাম্পার্টমেন্ট ২০ লৈবা ট্রেনশিং অদু ৱাইননবগীদমক লূপা ক্রোর ১.১২ থাদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট অদুনা থোকপা ওর্দরসকী মতূং ইন্না দিল্লিদা নোংমগী ওইবা দীকশা নৎত্রগা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াবা ঙমহন্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী, অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংগী, এনজিওশিংগী অমসুং এসোসিয়েসনশিংগী লূচীংবশিংবু আনন্তপুর অমসুং শ্রীকাকুলামদগী ট্রেনশিং অদুদা দিল্লিদা হোনগনি।

ট্রেন অনীমক অদু হয়েঙ নোংমাইজি নুমিৎকী অয়ুক পূং ১০দা ন্যু দিল্লি য়ৌগনি। দিল্লিদা চখৎগদৌরিবা প্রোটেষ্ট অসি অন্ধ্র প্রদেশ রিওর্গনাইজেসন এক্ট, ২০১৪দা পীখিবা অতৈ কমিটমেন্টশিং সেন্টরনা পাংথোকতে হায়বগী ময়োক্তা অমসুং অন্ধ্র প্রদেসতা স্পিসিয়েল কেটেগোরি ষ্টেটস অমা পীনবগী দিমান্দগী মতাংদা পাংথোক্কদবনি।

তেলুগু দেসাম পার্টি (টি দি পি)গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রবাবু নাইদুনা প্রোটেষ্ট অদু মায় পাকহন্নবা ওপোজিসন পার্টিশিং য়াওনা অতৈ পূন্নমক্তা অপিল তৌখ্রে। চন্দ্রবাবু নাইদুগী দিল্লি ৱাকৎ–মীফম অদুদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) নৎতবা পার্টিশিংগী লূচীংবশিং য়াওরবা য়াই হায়না থাজনরি।

টি দি পিনা হৌখিবা চহিদা বি জে পিনা লূচীংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টতগী থোক্লকখিবনি।

# বি এস ৱাইনা ঐখোয়গী এম এল এ ১৮দা লূপা ক্রোর ১০–১০ পীখিঃ কোংগ্রেস



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
করনাতকাদা এম এল এ শিংবু শা–ষণ লল্লোনবদৌনা শেন পীদুনা লৈ হায়না বি জে পিগী মথক্তা অনৌবা লাল অমা চখৎরদুনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা কোংগ্রেস পার্টিনা মখোয়গী এম এল এ ১৮দা লূপা ক্রোর ২০০ রোম পীদুনা বি এস য়েদ্দিয়ুরাপানা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট থুগাইনবা হোৎনৈ হায়না মরান শীখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংলদুনা কোংগ্রেস লূচীংবশিং– কে সি ভেনুগোপাল অমসুং রন্দীপ শুরজেৱালনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পি চীফ অমতি শাহনা করনাতকাগী জে দি (এস)–কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট থুগাইনবা হোৎনবদা য়াওই হায়না মরান শীখ্রে।

য়েদ্দিয়ুরাপানা স্পিকরদা লূপা ক্রোর ৫০ পীখি। শক্তি অমসুং অঙম্বা পাঙ্গল পূন্নমক শিজিন্নদুনা বি জে পিনা লৈঙাক্কী শক্তি পাম্মী হায়না শুরজেৱালানা হায়খি।

কোংগ্রেস লূচীংবা কে সি ভেনুগোপালনা হায়খি, লৈবাক পূম্বা অসিনা ঙরাং করনাতাকাগী পাউশিং অদু তাবদা থম্মোই শোকখি।

করনাতাকা গভর্ণমেন্ট অদু থুগাইনবা মোদিজি অমসুং অমিত শাহগী অমোৎপা পোলিটিক্স অদু ফোঙদোক্লদুনা জে দি (এস) এম এল এগী মচিন–মনাওশিংগী মনূংদগী অমগা য়েদ্দিয়ুরাপাগা ৱারী শান্নখিবশিংগী ওদিও ক্লিপ্পিংশিং অদু করনাতাকা চীফ মিনিষ্টরনা উৎখি।

ওদিও ক্লিপ্পিশিং অদুদা বি এস য়েদ্দিয়ুরাপানা এম এল এ অমমমদা লূপা ক্রোর ১০ পী হায়না ফোঙদোক্লি। মদুদা এম এল এ ১৮নি হায়বদু ময়েক শেঙলে। মরম অদুনা পীরিবা চাং অসি লূপা ক্রোর ২০০ রোমনি। মহাক্না এম এল এ ১২দা মিনিষ্টরগী ফম, ৬তা তোঙান তোঙানবা বোর্দশিংগী চিয়ারমেনগী ফম খূৎ লাম্থোক্লি হায়না কে সি ভেনুগোপালনা হায়খি।

এম এল এ শিং অদুনা রিজাইন তৌরবা তূংদা মখোয়গী ইলেক্সনদা চংখিবা শেনফম পীগনি, অদুগা মাগী এম এল এ শিংবু দিসক্বালিফাই তৌদনবগীদমক মখোয়না স্পিকরদা লূপা ক্রোর ৫০ পীনবগী ৱাফমসু ফোঙদোকই হায়না কে সি ভেনুগোপালনা মখা তাখি।

ঙরাং ইরাই নুমিৎতা য়েদ্দিয়ুরাপানা জে দি (এস) এম এল এ অমা শেন পীদুনা থেন্নবা হোৎনবা য়াওবা ওদিও ক্লিপ অমা করনাতকা চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমরাশ্বামিনা থাদোক্লকখি।

কোলিসন মরক্তা য়ানদবা অমসুং বি জে পিগী থুগাইবগী গেম মরক্তা ষ্টেট বজেট হাউসতা থমদ্রিঙৈগী পূং খরগী মমাঙদা কুমারাশ্বামিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা পান্দম থমদুনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ওদিও বোম থাদখি।

মোদি অমসুং বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহগী অয়াবগা লোয়ননা লৈঙাক থুগাইনবা হোৎনৈ হায়না কমারাশ্বামিনা মরান শীখি।

হৌখিবা চয়োল খরা এম এল এ শিং লৈনবগী মকোকনি হায়খিবা য়েদ্দুয়ুরাপানা ওদিও ক্লিপ অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়না থুনমক য়াখিদে।

# পাকিষ্টানদা লৈবাক ৪৬কী নুমিৎ ৫নিগী মেরিটাইম এক্সরসাইজ কারাচি মনাক্তা হৌখ্রে



*কারাচি, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
লৈবক ৪৬না শরুক য়াবা নুমিৎ ৫নি চুপ্পা চখৎগদবা মলটি নেসনেল মেরিটাইম এক্সরসাইজ 'অমন–১৯'অদু ঙরাং ইরাই নুমিৎতা পাকিষ্টানগী সমুদ্র তোর্ব্বানগী কারাচি সিটি মনাক্তা হৌখ্রে।

পাকিষ্টান নেভিগী জহাজশিং, সবমেরিনশিং, হিশিং, মেরিনশিং, অমসুং স্পিসিয়েল ফোর্সশিংনা পাকিষ্টান এয়ার ফোর্স, পাকিষ্টান আর্মি অমসুং পাকিষ্টান রেঞ্জরসশিংগা লোয়ননা এক্সরসাইজ অদুদা শরুক য়াগদৌর।

২০১৭দগী অহানবা পাঙথোকখিবা মতমদগী চহি ২–২ খুদিংগী পাংথোকপা এক্সরসাইজ অসিগী মরুওবা পান্দমদি অমনা অমগী মেরিটাইমগী ৱাখল্লোন অমসুং মওং–মতৌ, থবক তৌবগী লিচৎ খঙনবগী মফম অমা পীবনি, লোয়ননা সমুদ্রদা ময়ামগী ওইবা অকীবশিং থেঙননবগী লম্বী অমসুং পাম্বৈশিং পুথোকপনি হায়না রেদিও পাকিষ্টাননা হায়খি।

থৌরম হৌদোকপদা পাকিষ্টন য়াওনা লৈবাক ৪৬কী ফিরানশিং চীংখৎখি অমসুং পাকিষ্টান নেভিগী কন্টিনজেন্টশিংনা মার্চ–পাষ্ট অমা চৎখি।

এক্সরসাইজ হৌদোকপা থৌরমগী চীফ গেষ্টসু ওইরিবা পাকিষ্টান ফ্লীটকী কমান্দর ভাইস–এদমিরেন অমজাদ খান নিয়াজিনা এক্সরসাইজ 'অমন' ৱাহন্থোক্তি শান্তি হায়রিবা অসি অমগা অমগগী মরক্তা তেঙবাংনবা হেনগৎহন্নবা, ৱাখল খংননবা পূন্না খুদোংচাবা ফঙনবগী খোঙথাংনি হায়খি।

# পোৎয়ান চংবা য়ু থকপদা য়ু পিদা ৭০, উত্তরখন্দদা ২৮ শিখ্রে



*লখনৌ, ফেব্রুৱারি ৯ঃ*
উত্তর প্রদেশকী নোংচুপ থঙবা শাহরানপুর দিষ্ট্রিক্তা মীওই ৩৬, নোংপোক থঙবা কুসিনগরদা মীওই ৮ শিবগা লোয়ননা পোৎয়ান চঙবা য়ু থকপদা হৌখিবা নুমিৎ হুন্নিদা ষ্টেট অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭০ শিখ্রে। উত্তর খন্দদসু পূন্না মীওই ২৮ শিখ্রে।

হৌজিক হোস্পিটালদা মীওই ২৫ রোম লৈরি। মরম অদুদা মী শিবগী মশীং অসি মখা তানা হেনগৎলকপা য়াই হায়না ডোক্তরশিংনা ফোঙদোক্লি।

উত্তর প্রদেশকী শাহরানপুরদগী খূঞ্জাশিংনা থঙনবা উত্তরখন্দদা মী শিবগী অরোইবা মথৌ–মঙম য়াওবা চৎপদা মখোয়না পোৎয়ান চংবা য়ু অদু অহানবা থকখিবনি। মদুগী মথংদা খূঞ্জা অমনা শাহরানপুর দিষ্ট্রিক্তা য়ু খরা অমুক পুরক্লগা অতৈ মীওইশিংদা য়োনখি।

কুসিনগরদা ফঙলিবা য়ু অদু অকনবা মওংদা য়ু থিঙলিবা বিহারদগী লাকপা ওইরমগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোক্লি।

পিন্টু কৌবা মীওই অমনা য়ু ময়োম ৩০ পুরক্লগা শাহরানপুরগী খূঞ্জাশিংদা য়োনখি। য়ু ময়োম ২–৩ ফঙখি। মদুদা য়ু থক্লুবা মীওই অমসু হোস্পিটালদা শিখ্রে হায়না শাহারানপুর দিষ্ট্রিক মেজিষ্ট্রেট এ কে পান্দেনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু পি গভর্ণমেন্টনা অতৈ ওফিসিয়েল কয়ামরুগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক এক্সাইজ ওফিসার অমসুং দিষ্ট্রিক একসাইজ ইনস্পেক্তর থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

সনা–সুদোকু –৩৫ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 4 | 2 | 6 | 9 | 3 | 7 | 5 |
| 5 | 2 | 9 | 4 | 3 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 6 | 7 | 3 | 8 | 1 | 5 | 2 | 4 | 9 |
| 7 | 3 | 8 | 6 | 9 | 1 | 4 | 5 | 2 |
| 4 | 5 | 1 | 3 | 7 | 2 | 9 | 6 | 8 |
| 2 | 9 | 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 1 | 3 |
| 3 | 1 | 2 | 7 | 4 | 8 | 5 | 9 | 6 |
| 9 | 4 | 5 | 1 | 2 | 6 | 8 | 3 | 7 |
| 8 | 6 | 7 | 9 | 5 | 3 | 1 | 2 | 4 |

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 19/12/18
Valid : 13/12/18
Stk : 612, 19kg-36
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 10/12/18
Sl. No. : 5995
Valid : 08/12/18
Sl. No. : 5521
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 24/12/18
Valid : 16/12/18
Stk. : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Mahalashmi Indane**
Booking : 05/01/19
Sl. No. : 239663
Valid : 01/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 12 noon

**Canchi Service Indane**
Booking : 21/12/18
Valid : 19/12/18
Stk : 576
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 06/01/19
Valid : 05/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 16/12/18
Valid : 10/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Bashikhong Indane**
Booking : 26/12/18
Valid : 19/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Khongjom**
Booking : 15/12/18
Valid : 01/08/18
Stok : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-36**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | | | 2 | 8 | | 6 | |
| | 1 | 9 | 6 | | | 3 | | |
| | 7 | 6 | 1 | | | | | 8 |
| 7 | | | | | 3 | 6 | 8 | |
| 4 | 8 | | | 9 | 6 | | | |
| 1 | 6 | | 8 | | | | | 3 |
| | 3 | 8 | | 6 | | | | 9 |
| 9 | | 7 | 3 | | | | 1 | |
| 6 | | | 9 | 7 | | 8 | | |